# ইনফ্লেমেটরি বোৱেল দিজিজগী মরমদা পূন্না খঙমীন্নসি

ডা. নোংথোম্বম সুরজকুমার
(DM Gastroenterology, JNIMS

**World Gastroenterology Organisation (WGO)** গী মিৎয়েং মখাদা চহী খুদিংগী ওইনা মে ২৯দা ৱর্ল্ড দাইজেষ্টিভ হেলথ দেগী থৌরম মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লরি। হায়রিবা ৱর্ল্ড দাইজেষ্টিভ হেলথ দেগী থৌরম অসি চহী খুদিংগী ওইনসু তোঙান তোঙানবা থিমশিংদা পাঙথোক্তুনা মালেমদা লৈরিবা মীওইবা খুন্নাইদা কান্নরবা পাউজেলশিং পীরি। মসিগীসু মথক্তা থৌরম অসি পাঙথোকপনা মীওইবগী হকচাংদা নাহল্লকপা য়াবা কিনীংঙাই ওইরবা লায়না লায়ওংশিংদগী চেকশিলহৌনবা, ঙাকথোকহৌনবা অমদি লায়েং পথাপ মতম চানা চথুনবগী কান্নরবা পাউতাক কয়া অমসু পীরিবনি। মীওইবগী ৱাখলনা মরী লৈনদবা মওংদা লান্না খন্নরুবা, লাইথোক্লা লৌনরুবনা মরম ওইরগা মরী শুংলৈ লৈনদবা মওংদা লায়েং চথরুবা মীকুপ্তা মমল য়াম্লবা পুন্সি কয়াবু মাঙহনবগী থৌদোক কয়া অমসু থোকখিবা লৈখ্রবনি। অসিগুম্লবা খুদোংথিবা থৌদোকশিং অসি থোক্তনবগীদমক তঙাইফদনা নারকপা মতমদা মরী লৈনবা ডাক্তরশিংগা তানবগী তঙাইফদবা লৈ। ৱর্ল্ড দাইজেষ্টিভ হেলথ দে লাকপা অসিগা মরী লৈননা ইনফ্লেমেটরি বোৱেল দিজিজ (আই বি দি) গী মরমদা পূন্না খঙমিন্নসি।




মীওইবগী হকচাংগী নুং অমসুং পান্দা লৈরকপা নুংঙাইতবশিং মতাং মতম চানা য়েংথোক্তুনা লায়েং পথাপ চথহৌবা তঙাইফদে। মতাং চানা ডাক্তরশিংগা তানরবা লায়েং পথাপ চথহৌরগদি খুদোংথীবা থোক্কদবশিংদগীসু ঙাকথোকপা ঙমগনি। ইনফ্লেমেটরি বোৱেল দিজজ হায়রিবা লায়ওং অসিসু ঐখোয় খুদিংমক য়াম্না কূপথনা খঙবা মথৌ তাই। মীওইবগী হকচাংগী চাকখাও অমদি ইন্টেষ্টাইন্দা তোঙান তোঙানবা মওংদা শোকহল্লকপা য়াবা মওংগী লায়না অদুবু ইনফ্লেমেটরি বোৱেল দিজিজ হায়না খঙনরিবনি। মীওইবগী হকচাংগী নুংদা ভাইরস নৎত্রগা ভেক্টিরিয়াশিংনা চঙশিল্লকপদা ইম্যুন সিষ্টেম অসিনা মখোয়বু থেংনবগী থবক তৌরিবনি। মীওইবগী নুংদা লৈরিবা শরুকশিংদা করিগুম্বা অশোয়বা অমা লৈবদগী ইম্যুন সিষ্টেম্না শোকহল্লকপা থোল্লবদি মদুবু ওটো ইম্যুন দিজিজ হায়না খঙনৈ। লায়না লায়ওং অসিগী খুদম হায়রবদি Rheumatoid Arthritis অসিসু অমনি। ইনফ্লেমেটরি বোৱেল দিজিজ অসিসু ওটো ইম্যুন দিজিজনি হায়না লৌবা য়াই। মীওইবগী হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টেম ফনা লৈবনা ইনফেক্সন কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙল্লিবনি। অদুবু মীওইবগী হকচাংগী কয়াৎ অমা ওইরিবা চাকখাও অমসুং ইন্টেষ্টাইন্দা ইম্যুন সিষ্টেম্না য়ৈখাই থিনগাইবা পীরকপা মওংগী লায়ওং অদুবু ইনফ্লেমেটরি দিজিজনি হায়নসু লৌনৈ।

ইনফ্লেমেটরি বোৱেল দিজিজ অসি মখল অনী থোক্লা খাইদোকপা য়াই। মখল অনী অদুদি Ulcerative Colitis অমসুং Crohn's Disease নি। লায়না মখল অসি মালেমগী য়ুরোপিয়ন অমদি ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিংদা লৈবা মীওইশিংদা য়াম্না কম্মন ওইনা নাবা লায়না মখল অমসু ওইরিবনি। লৈবাকসিগী ৱেষ্টর্ন থংবা ষ্টেটশিংদসু লৈরিবা মীয়ামদসু Ulcerative Colitis অমসুং Crohn's Disease নাবগী চাং ৱাংলি। লায়না অসি হেন্না মায় পাক্লা লায়েং পথাপ চথুনবগীদমক Gastroenterology গী মখাদা মহৈসু তম্নরে। মসিদসু নত্তনা ইনফ্লেমেটরি বোৱেল দিজিজকী লমশিংদা ফেলোসিপনচিংবসু তৌনরে। লায়না অসি নাবগী চাং নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপনা লমদম অসিদসু অনাবা মখল অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙনরক্লি। মরম অসিনা লায়না লায়ওং অসি থেংননবগীদমক মশীং য়াম্লবা অখঙ-অহৈশিং নোংমা নোংমগী মথৌ তাবগী চাং হেনগৎলক্লিবনি। ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিংগা চাংদম্নরুরবদি লায়না লায়ওং অসি লৈবাক অসিগী ওইনদি য়াম্না চাং ৱাংলবা হায়বদুদি ওইদ্রি। অদুমকপু লৈবাক অসিদসু লায়না লায়ওং নাবগী চাং অসিদি নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লিবনি। মরম অসিনা লায়নাসিদগী চেকশিলহৌনবা অমদি ঙাকথোকহৌনবগী হোৎনহৌবা য়াম্নমক মথৌ তাই। লায়না অসিবু নারবা মীওই কয়া হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা পোরোম্পাৎতা লৈবা জেনিমস হোস্পিটালদসু লায়েং চথুরি। মমাঙঙৈদদি লায়না অসি নারে হায়বা মীওই কয়া থেংনবগী চাং ৱাৎলম্লগসু হৌজিক্তি নাবগী চাং অসি তপ্না তপ্না হেনগৎলক্লি। ইনফ্লেমেটরি বোৱেল দিজিজ অসি নারকপা য়াবগী সিম্পটমশিং হায়রগদি খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা, পুক নাবা, হকচাং মনুংদা ঈ মাঙখিবদগী হকচাং শোন্থরকপগুম (Anemia) তৌরকপা অমদি তাং-তাং চিকপা নাবা তৌরকপনচিংবনি। মসিগী ওন্না তৈনবদা মীয়াম্না লান্না খন্নবা ৱাফম অমনা খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরগদি নুংশঙ (Piles) নারে হায়না হেক্তমক থাজনবা অসিনি। খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরিবা খুদিংমক নুংশঙ (Piles) কী লায়না ওইদবা য়াই হায়বসি মীপূম খুদিংমক্কা খঙমিন্নবা তঙাইফদে। মদুমক্কা পাইলস ওইরম্লোই হায়বসু লৈতে। খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা অসিনা পাইলস ওইহনবসু য়াই। নৎত্রগা অতোপ্পা মখলগী লায়না ওইহনবসু য়াই। ইনফ্লেমেটরি বোৱেল দিজিজ অসি নারে হায়বা মতম চানা খঙহৌদবদগী নাবগী চাং হেঞ্জিল্লক্লবা মতুংদা ডাক্তরশিংগা তানরুরবসু অনাবা অদু খুদোংথিবা থোকপা নৎত্রগা উপাই লৈতবা মীকুপ হায়বদু য়ৌরকপা ফাওবা য়াওই। খঙজিনবা য়াবা অমনা, খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা অসি Colon Cancer নাবদগী ওইরকপসু য়াই। মরম অসিনা খোঙ হাম্বা মতমদা ঈ য়াওরক্লিবা অদু করি করম্বা লায়না লায়ওং নাবগীনো হায়বদু মতম চানা য়েংথোকপীহৌবনা খ্বাইদগী অফবা খোঙথাং ওইগনি। মতম চানা য়েংথোল্লগা লায়েংহৌদ্রবদি তুংদা নীংঙমহৌদবা কয়া অমসু লাকপা য়াই। লায়েং চথবা ঙম্লরোইদবা তাঙ্কক য়ৌরবা মতমদা অনাবা অদু খঙলকপা থেংনরকপা ওইরগদি মমল য়াম্লবা পুন্সি অদু কনবা ঙম্বগী শক্তি লৈরোই। নুংশঙ (Piles) নারে হায়না খন্দুনা মতম শাংনা লায়েংলক্লবা মতুংদা অনাবা অদু কোলোন কেন্সর নৎত্রগা ইনফ্লেমেটরি বোৱেল দিজিজ (আই বি দি) ওইরম্বা কয়া অমসু য়াওরি। লায়না মখল অসি নাই নৎত্রগা নাদে হায়বদু খঙদোক্লবগীদমক Colonoscopy, Sigmoidoscopy টেষ্ট তৌদুনা কুপথনা য়েংবা মথৌ তাই। হায়রিবা টেষ্ট মখলশিং অসি পাঙথোক্তুনা মতম চানা দাইগ্নোস তৌহৌরবদি অনাবা মখল অদু মায় পাক্লা লায়েং চথবা য়াগনি। টেষ্টশিং অসি পাঙথোকপনা হকচাং মনুংদা য়াওরিবা কয়াৎশিং অসিগী চপ চাবা ফোটোনচিংবা লৌরগা কূপ্না য়েংলবা মতুংদা নুংশঙনি, Colon Cancer নি, আই বি দিনি নৎত্রগা অতোপ্পা মহীকশিংনা মরম ওইরগা নাহনবা লায়নানি হায়বদু খঙগদৌরিবনি। লায়না অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু লায়ওং খঙদোক্লবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না তঙাই ফদে। লায়ওং খঙদোল্লবা মতমদতা লায়েং পথাপ পরম চুন্না চথুগদৌরিবনি।

মতাং অসিদা পন্নীংবা অতোপ্পা ৱাফম অমনা, করিগুম্বা ইমুং অমদা মীওই অমা Colon Cancer হান্না নাখিবা নৎত্রগা হৌজিক হৌজিকমক নাবা য়াওরগদি মহাক্কী ঈ মরী ওইরিবা ইমুং অদুগী অতোপ্পা মীওইশিংসু Colonoscopy তৌদুনা Colon Polyp (মতুম) লৈব্রা হায়বদু য়েংথোকপা তঙাইফদে। মসিদসু নত্তনা মীওই অমনা মশাগী চহী ৫০ হেল্লক্লবদি Colon Polyp লৈব্রা হায়বসি টেষ্ট তৌদুনা য়েংথোকহৌবনা হকচাং ফনা লৈহনবদা মতেং ওইগনি। ইমুং অমগী মীওই অমা Colon Cancer অসিনা নাখ্রে হায়বগী চিংনবা লৈরগদি মীওই অদুগী ঈ মরী ওইরিবা ইমুংগী অতোপ্পা মীওইশিং অদুসু টেষ্ট শুংশোয় শোয়দনা তৌথোকহৌগদবনি। করিগুম্বা অহানবা টেষ্ট তৌবদা করিসু লৈরমদ্রবসু চহী ৫/৫ কান্নরবা মতুংদা Colonoscopy test তৌথোকপীগদবনি। লায়না অসি নারবা মীওই অমবু লায়েং পথাক চথুবা হৌরকপা মতমদা নারিবা মীওই অদুগী ইমুং মনুংগী ঈ মরী ওইরিবা মীওইশিংদা হান্না Colon Cancer নাখিব্রা হায়না হংনরিবনি। লায়না অসি নারে হায়বা মতম চানা খঙহৌরবদি লায়েং পথাপ চথুদুনা মায় পাক্লা ফহনবসু ঙম্মী।

মালেমগী ওইনা মেদিকেল সাইন্স চাওখৎলকপগা ইরোয়ননা লমদমসিদা লৈরিবা হোস্পিটালশিংদসু Colon Cancer অসি লায়েং চথবা ঙম্লে। মাঙজৌননা লায়ওং খঙদোকহৌবনা Colon Cancer গী ত্রিটমেন্ট অসি মায় পাক্লা চথবা ঙম্লিবনি। য়াম্না লায়না লায়েং চথবা য়াবা অনাবা মখল অসিবু মীয়ামগী ৱাখলদা লান্না খল্লগা Piles নারিবনি হায়না লৈথোকপনা পুন্সিদা খুদোংথিবা নংহনবা য়াই। মরম অসিনা অনাবা খুদিংমক মতম চানা খঙদোকহৌনবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি। লমদমসিদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বনা শা-ঙা য়াম্না চাবনা Colon Cancer অসি নাবগী মশীং হেনগৎলক্লি। মরম অসিনা শা-ঙানা নম্না চাব মীগী মশীংনা হেন্না লৈবা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না Colon Cancer অসি নাদনবা চেকশিল থৌরাং লৌখৎহৌবা য়াম্না তঙাইফদে। Colon Cancer না মরম ওইরগা খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা অসি মাঙজৌননা খঙদোকপা মথৌ তাই। ইনফ্লেমেটরি বোৱেল দিজিজ (আই বি দি) নসু Colon Cancer নাহল্লকপা য়াই। মরম অসিনা মমল য়াম্লবা মীওইবগী পুন্সিবু লমখাংদা মাঙহন্দনবগীদমক হকচাংগী ফীভম নুংঙাইরক্তবা মতমদা মাঙজৌননা লায়না লায়ওং খঙদোকহৌনবা হৌৎনহৌরসি।

# অরিবা মণিপুরগী শৈথারোলদা নুরা খুৎদোংলৈ



ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী

**লৈরোল** মখল মথেলনি লমদমসিগী লৈহাউদগী পুথোরকখিবসি। শৈথারিবশিংগী মনুংদা নুরা খুৎদোংলৈসু অমনি। লৈশক লৈচু হেল্লি হায়বগী মতিক মমিংসু য়াম্মী, নুরা খুৎদোংলৈ, নুরা খুন্দোংলৈ, নুরা খুনকুমলৈ, নুরা খুনহোংলৈ, নুরা খুন্থোকলৈ, নুরা খুদোংলৈ। কনাগুম্বনা শজিনপ নৎত্রগা য়াচুবীসু হায়নৈ। মিং অমা ৱারী শীংবুন অমা অঙকপা শৈথারোলনি, কয়াদা মতিক মঙাল নাইরল্লিবা অরিবা মণিপুরী খোরিরোল। পেকথোকপগী লোইবা নাইদবা ফৌগৈগুম্বনি। শৈথারোল মনুংদা চঙশিল্লুই, অঙকপনা পীক থল্লি। শোক্লমদবা য়াওদে, শেন্মীৎলোনগী, চৎনরোলগী, খুন্দারোলগী, মী-লাই শম্নবগী ৱারী।

চীংয়া-তময়া, চীংনুং-মান্নংুদা মরাং কায়না শাৎপী লৈরাং নুরা খুদোংলৈনি। লৈরোল তেঙথা কৌবা পুয়াদা শৈথারম্বা মতুং ইন্না লৈ অসিগী মমিং থাবদা কারাংদা নুরা খুনকুমলৈ অমসুং মৈতৈনা খুদোংলৈ নৎত্রগা খুৎদোংলৈ হায়না কৌই। কেগে ফম্নাইবা ফাৎলৌচাম্বগী মচানুপী ঈশৈ শকপী মশক ফজবী চিঙ্গাবম নিংঙোলনা মপাম থাঙ্গ কারাংদা চৎপা মতমদা লৈ অদু মখূৎতা পায়রগা থবাক মপাদা থেৎখি। নুমিৎ অদুদগী নুরা খুনকুমলৈ হায়না মিংথোনখি। মতাং অসিবু অসুম্না শৈথারি,

কেগে য়ায়তোংবা ফাৎলৌচাম্বা।
মচানুপী শকহেনবী ঈশৈ শকপি।
চিঙ্গাংবম নিঙোলনা মপাম থাঙ্গা খুন কুমঙৈদ।
করাংদ চৎঙৈদ।
সীঙেল খূত্ত পায়রগ,
লৈরাংবু থবাক্তা থেত্তুন থাঙ্গদ লাকখিয়ে।
করাং খুন্দ য়ৌখিয়ে।
অদু নুমিৎতগী নুরা খুনকুমলৈ ও কৌববু
মৈতৈনা নুরা খুৎদোংলৈ হায়না কৌনরে।
(লামায় ৩৪-৩৫)

লৈরোল কৌবা পুয়াদা শৈথারম্বগী মতুং ইন্না কেগে ফানাউচাম্বগী মচানুপী মোইবী শকহেনবী ঈশৈ শকপীনা মপাম থাঙ্গ কারাং চৎপদা থেৎখিবগীদমক নুরা খুনহোংলৈ অমদি মৈতৈনা নুরা খুন্দোংলৈ হায়না কৌনখি হায়বগী মতাং অমা,

… …
মপাম থাঙঙা খুনকুমনা।
কারাং খুনহোংখি-এ।
মতুনোংকিপু নুনহোংলৈ-ও।
কৌপাপু পোইরই তাফা মিপানা।
নুরা খুনতোংলৈ-ও।
তৌনা কৌএ।

চকপা চাইরেন লোন পুয়াগী মতুং ইন্না লৈ অসিবু নুরা খুন্থোক্লে, নুরা খুন্দোংলৈ, নুরা খুদোংলৈ হায়না মিং থোনখিবগী ৱারী অসি পান্থোইবগা মরী লৈনৈ। পান্থোইবীনা মালেমদা খুন্থোরকপদা লৈ অসি চিল্লকখি। মহাক্লা চফু শাবা লোই-শিনফম খঙদ-দুনা লৈরিঙৈদা মানা চিনখিবা লৈ অদুগী মশক মওং য়েংলগা লোইশিল্লু হায়না তাইবঙ মপূনা তাকপীরম্মী। মপূগী য়াথং ঙাক্লবগীদমক লৈ অদু থিরকপদা লৈরাং পান্বী ওইনা হৌদুনা লৈরম্লে। মহাক্লা লৈ অদু হেক্লগা নাপদা চিন্দুনা চফু শারম্মী। লৈ অসিগী মহৈবু চাইরেল চফু ফজবগা মান্নে হায়না লৈরোল তেঙথাদসু শৈথারি। ডা. টি বি সিংহগী ‘নুরা খূৎদোংলৈ’ হায়না কৌবা ৱারেংদা য়াওবা অতোপ্পা ৱারী ৱাখোঙ অমসু শল্লপ্পা থমজরি - নোংমা নুমিৎ য়ুংবা মতমদা হুইমু লৈমা অমসুং হুইথৌলেম্বী কৌবী নুপী অনীনা লূবাক্তা ঙা হাপ্লগা সনা কৈথেল তোকপচীং তম্না লাকপদা মশক মতৌ নীংথিরবী লীক্লাপীচা মীতমলোয় কৌবী লৈশাবী অমনা ঙা খরা লৈহৌই। অরেম্বা পৎ পুম্লবা অশিবা ঙা খরদু তোকপচীংদা পুখি। থেংমনখিবনা কনাসু লৈরমদবদগী পীশু হন্না চীংদা চৎখি। মফমদুদা লুবাক্তু হাংদোক্লুবদা অশিবা ঙা পূম্ন মক হিংগৎতুনা ফ্রিং ফ্রিং চোংলম্মী। ঙাশিংদু শেন্দোং লৈনা য়োম্থোক্লগা হল্লকপদা হয়িং ৱা ৱা ইল্লবা অহল অমা থেংনবদগী শেল অমদি অথুম অহাউ খরা পীরম্লবা তুংদা চীংয়াং ফাওদুনা লাক্লম্মী। অঙকপদি মখোয়দগী ঙা লৈহৌবা লৈশাবী অদুসু য়ূম অদুসু মাঙখিরম্মী। মদুগী মহুত্তা চীংমায় নাপোমদুদা ফজবা লৈ অমা শাৎলম্বা উবদগী নুপীমচা অমগী মহুৎ শিন্দুনা শাৎপী, চরোং অমনা খুদাপ ফাবী লৈনি হায়বগীদমক নুরা খুদোংলৈ হায়না মিংথোনখি।

মতৌ অসুম্না লমদম অসিগী থাজ ৱারীশিং অমদি ফূশারোলগা তৎন-থানবা য়াদনা মরী লৈনরিবা লৈ অসি ফী মচু শঙবা অমদি অনা লায়েংনবগী হীদাক ওইনসু শীজিন্নৈ। হৌজিক্কী মীরোলনা লৈ অসিবু থৌশাবীদ্রবসু মতম অমদদি মসিবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎলম্মী হায়বসি চীনবুং ৱারী, থাজ ৱারীনচিংবগী শৈথারোল লৈরল্লিবসিনা ময়েক লারবা খুদমনি। লৈ অসিবু কয়ামুক কিনা লুনা লৌনবগা লোয়ননা মতিক ময়াই লৈহল্লম্বগে হায়বগী মতাংদা ডা. টি বি সিংহনা অসুম্না ইরি,

মতম অমদদি শিঙেল অসি অৱাংবা থাক্তা লৈরম্মী। নাপ্পগী লৈতেং ওইহল্লমদে,
খোঙনা খূৎনা শোকখিনি হায়দুনা কিনা চেকশিন্না চৎনরকই।
নিংথৌকোলদা শাৎলকই। লৈবাক্কী লৈ ওইনা শক খঙনরকই, মৈতৈ জাতিগী
ফিরালদা য়েক্লকই।
(অনৌবা মঙাল, মার্চ-এপ্রিল ২০০৪ লামায় ২৫)

অসিগুম্লবা অরিবা শৈথারোলশিংগা শগোন্নদুনা লাক্লবা লৈ অসিগী মতিক মগুণ খঙনা ঙাকশেনবগা লোয়ননা লৈগী লৈখোঙ মুৎখিদনবা মীপূম খুদিংমক্কা হোৎনফম থোকই।

## মরোল থোকপা লাই

